## ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ২০১৭

# এফ সি য়ুম্নামখুনৌ অমদি এফ সি (এ) তেল্লৌ মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২১ঃ*
তেলৌ জোইন্ট কো-ওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ৭-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংবু গোল ৫-২দা মায়থিবা পিখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা এফ সি (এ) তেল্লৌনা ৰাই ৰাই সি য়ৌরবুংবু গোল ৯-৮দা মায়থিবা পিখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংগা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগা লম্বা চানা থেংনবদা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌনা গোল ৫-২দা বি এস য়ুবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ২, ১৬ অমদি ৩১শুবা মিনটতা এম রোমিনা গোল ৩ অমদি ১৩ অমদি ২৯শুবা মিনটতা কেন পাঙম্বমনা গোল ২ অমগা চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংগী গোল অদুনা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা ৰাই গোবিন্দনা গোল ১ অমদি ৩৭শুবা মিনটতা ৰাই সুন্দরনা গোল অমগা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা এফ সি (এ) তেল্লৌগা ৰাই ৰাই সি য়ৌরবুংগা লম্বা থেংনবদা মেটচকী অপিবা মতমদা নাকল অনীনা গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অদুবু পেনাল্টি কিক শুট আউটতা এফ সি (এ) তেল্লৌনা গোল ৮ অমদি ৰাই ৰাই সি য়ৌরবুংনা গোল ৭চন্দুনা এফ সি (এ) তেল্লৌনা মায় পাকখিবনি।

## রাজমনি নিংশিং হোকি টুর্নামেন্ট

# এস ৰাই য়ু সিনা অহুমশুবা পোজিসনগী টাইটল লৌখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২১ঃ*
মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা য়ুঠ ক্লব ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৰাইসিআইসি) কোম্বা অহল্লুপনা শিন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা কোম্বা অহল্লুপ ইবুধৌ মার্জিং হোক্কি গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৪দগী হৌদোকখ্রবা মতুং খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টদিয়মদা চথরিবা ৫শুবা ৰাই রাজমনি নিংশিং হোক্কি টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসন খন্নবগীদমক্তগা শান্নখিবা মেটচতা এস ৰাই য়ু সি উচেক্কোন্না কে ঐচ এস সি খোঙমনবু গোল ৭-১দা মায়থিবা পিদুনা এস ৰাই য়ু সিনা অহুমশুবা পোজিসনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। টুর্নমেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচনা মথং জুন ৪দা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসন খন্নবা মেটচ অদুদা এস ৰাই য়ু সি উচেক্কোনগা কে ঐচ এস সি খোঙমনগা লম্বা থেংনবদা এস ৰাই য়ু সিনা য়াম্না লাকচবা মওংদা কে ঐচ এস সিবু গোল ৭-১দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এস ৰাই য়ু সি মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ১ অমদি ৩২শুবা মিনটতা ঐচ মনিনা গোল ২, ৩, ৩৩ অমদি ৩৫শুবা মিনটতা এল দিপুনা গোল ৩ অমদি ২৭শুবা অমদি ৩৯শুবা মিনটতা মালেমঙানবনা গোল ২ অমগা চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা কে ঐচ এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা টি নিরজনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৩০শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক এস ৰাই য়ু সিগী এস ঐচ রোনেক্সপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## ৪শুবা ষ্টেট লেভেল স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭

# বোনেক্স অমদি ববিনানা নুপাগী অমদি নুপীগী টাইটল লৌখ্রে




*ইম্ফাল,মে ২১ঃ*
মণিপুর স্কৱাস রেক্কেটর্স এসোসিয়েসন ন্যু চেক্কোন, ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা পাঙ্গেদা লৈবা সাইনিক স্কুলদা থা অসিগী ১৯দগী হৌনা চথরকখিবা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল স্কাস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭গী নুপাগীদা ইবোনেক্সনা অমদি নুপীগীদা এস ববিনানা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী ওইনা অহানবা শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা ই বোনেক্স অমদি কে তোম্বনা লম্বা থেংনবদা ই বোনেক্সনা কে তোম্ববু পোইন্ট ১১-৮,১১-৯ অমদি ১১-৭তা মায়থিবা পিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা এস ববিনা অমদি বুসোরিয়া কেগা লম্বা থেংনবদা ববিনানা বুসোরিয়া কেবু পোইন্ট ১১-৮,১১-২ অমদি ১১-৭দা মায়থিবা পিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী টাইটল লৌখিবনি।

নুপাগী অমদি নুপীগী ফাইনেল মেটচশিং অসি শান্নখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী লোয়শিনবগী থৌরম অমা পাংথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমদুদা মহুদকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এন ইন্দ্রজিৎনা চিফ গেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে কবিব অমদি মণিপুর স্বিমিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ স্যামশুন্দরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি মণিপুর স্কৱাস রেক্কেটর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী আই জি পি এস মাংলেজাওনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭



*ইম্ফাল,মে ২১ঃ*
অমোফা মোইরাংনা শীন্দুনা ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৭ ঙসিদগী মোইরাং মল্টি পরপোস হায়র সেকেন্দরী স্কুল গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকখিবা নুমিত্তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম টি এফ সি অমদি অমোফা একাদেমীগা শান্নখিবদা গোল ০-০ দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অমোফা একাদেমীগী ও রোসন সিংহনা মেটচকী মিনট ৬ তা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি

অনীশুবা মেটচতা ৰাই এ দি এ কাঙবোইবী মপাল অমদি জি দি সি থিনুঙ্গৈ অনীনা শান্নখিবদা ৰাই এ দি এ না গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। ৰাই এ দি এ গী মায়পাকপগী গোল অদু রোনাল সিংহ না মেটচ ৩৫ দা স্কোর তৌখি। মেটচ অসিগী মিনট ১৯ চৎপদা জি দি সিগী অনন্দ সিংহনা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## সব-জুনিয়র নেসনেল পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুর শান্নরোইশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২১ঃ*
মে ২৯ দগী জুন ১ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী চন্দ্রপমদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র নেসনেল পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

মখোয় অদুদি নুপাগী কেজি ৭৪ দা সোরাম সুনিল অদুগা নুপীগী কেজি ৫৭ দা কে থোইবীনি। লেফটর অনী অসিদা মখোয়না শান্নবদা শেৎনবা ফিরোল অমদি খুদোল কয়া পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।




## জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মে ২১ঃ*
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন (অম্বা) গী চহিগী ওইবা জেনরেল বোদি মিটিং অমা লাক্লিবা জুন গী তাং ১১ দা পাঙথোক্লগনি।

জেনরেল বোদি মিটিং অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খন্নবগী ইলেক্সনসু পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা মেম্বর খুদিংমক্লা হান্নগী অমদি ২০১৬ গী রেন্যুয়েল ফি থিহৌদবা লৈরবদি লাক্লিবা জুনগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা থিদোক্লবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ২শুবা ফেজ সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট

# ও নিংথেম অমদি বিত ইরোম্না পুন্না মাংজিল থারি

*ইম্ফাল, মে ২১ঃ*
শিংজমৈ চেছ ক্লবকী শঙলেনদা শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ২শুবা ফেজ সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টতা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা শান্নরোই ৬না থোইবা ঙমদুনা য়াম্না নুঙাইবা মতাং অমদা লাক্লি। অদুবু তোপসিদেদ ও নিংথেম অমদি ভেটরান বিত ইরোম্না পোইন্ট ৭।৭ ফঙদুনা পুন্না মাংজিল থামিন্নরি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা এস ধনচন্দ্রনা (৪.৫) না এ কে সঞ্জয় (৩.৫) বু মাইথিবা পীখি। ঐচ মনিতোন (৫.৫) না এন লোকেন (৩) বু মায়থিবা পীখি। ই সসিকান্তবু এ সরত (৪.৫) না মায়থিবা পীখি। তোপসিদেদ ও নিংথেম (৬) না এল শ্যামকিশ্বরবু মায়থিবা পীখি। ভেটরান শান্নরোই বিট ইরোম্না এন হেরোজিৎ (৪.৫) লাক্তবদগী ব্রান্ড ওভর ফঙদুনা ও নিংথেমগা লোয়ননা পোইন্ট ৭।৭ ফঙনদুনা পুন্না মাংজিল থামিন্নরি।

'প্লে চেছ ফোর বেত্তর লাইব' কী থিমদা রাউন্দ রোবিন্দ রেপিদ চেছ সিষ্টেমদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর চেছ এসোসিসেয়সনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শীন্বনি।

মথংগী মেটচ মেগী ২৯ দা অয়ুক্কী পুং ৯ দগী মখা তাবা মেটচ চথখিগনি হায়না প্রেস রিলিজ অমনা খঙহল্লক্লি।




## ইম্ফাল ৱেষ্ট ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর তৌখ্রবা প্লেয়রশিং

| Sl.No. | Name of players | From | To |
|---|---|---|---|
| 1. | Angom Niruchand Singh | SKYC | DMRAO |
| 2. | Khwairakpam Romen Singh | SKYC | DMRAO |
| 3. | Thounaojam Hemba Singh | BMSC | DMRAO |
| 4. | Thiyam Deepak Singh | NACO | YDO |
| 5. | Narombam Stephen | YAC | NACO |
| 6. | Leishangthem Bishorjit Meitei | HNSC | YWC (L) |
| 7. | Mangte Raja | SU | YWC (L) |
| 8. | Okram Roshan Singh | CHIKL | YWC (L) |
| 9. | Ahongsangbam SagarKumnar | IBSA | YWC (L) |
| 10. | Kekrebam Suraj Singh | NACO | YPHU |
| 11. | Khumukcham Herojit Singh | CHIKLE | YPHU |
| 12. | Rajkumar Robin | DMRAO | YPHU |

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*